# কুমজা ১৯৬০ দা পাঙথোকখিবা মিটর ৪০০ গী সিনিয়রগী ঈশিং লমজেলদা ঐহাক্না মিনিট মরিগা সেকেন্দ ৩০দা লোইদুনা ফর্ষ্ট তাবা ঙমজরকখি



ক্ষেত্রি য়াইমা
*ভেটরান প্লেয়র*

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং

*(ঙরাংগী মখা)*

কুমজা ১৯৫৫ দগী ঈশিং লমলে অমসুং ৱাটর পোলো অসি চহী মঙাচুপ্পা নীংথিনা পাঙথোকপদগী গেম মখল অসিবু পামজবা প্লেয়রগী মশিংসু হেঙ্গৎলকখি। কুমজা ১৯৬০ দগীদি দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন্না 'ওল মণিপুর ইন্টর স্কুল এক্বাটিক মীট'সু ওর্গনাইজ তৌদুনা পুখ্রি অসিদা পাঙথোরকখি। মতমদুদা শরুক য়াখিবা স্কুলসি মৈতৈ ময়েক হায়স্কুল, শীংজমৈ হায়স্কুল, চুড়াচান্দ হায়স্কুল, খুরাই হায়স্কুল, অনন্দসিংহ একাদমি হায়স্কুল, তোম্বিসনা হায়স্কুল, জোনষ্টোন হায়স্কুল, আর দি এস হায়স্কুলনচিংবনি।

ঈশিং লমজেল অমসুং ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ১৯৬২ ফাওবা য়াম্না চাওনা ফজনা পাঙথোকখি। মসিগী মতুংদা চহী ১৫ মুক লেপখি। মতম ফনা শাংনা কুমজা ১৯৭৭ ফাওবসি করিমত্তা তৌদনা লৈখি। মসিগী মখা তারকপদা, কুমজা ১৯৭৮ সিদা নহারোল লমজিং মৈরা, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইগী থবক পুবিরিবা মীওইশিংনা য়াম্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা মণিপুরদা স্বিমিং অমসুং ৱাটর পোলো হিংহন্দবা য়াদে হায়বগী ৱারেপ লৌরকখি।

লোয়নননা মতমদুদা এসোসিএসন পুবিরিবা অহল-লমনশিংনা অমদি মরুপ-মপাংশিংনা 'মণিপুর ৱাটর পোলো এসোসিএসন' অসি শেমখি। মহমদ ৱহিদ (মতমদুদা ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী এম এল এ ওইখিবা)না ফাউন্দর প্রসিদেন্ট, অদুগা থিংবাইজম মেঞ্জোর সিংহনা ফাউন্দর সেক্রেটরি ওইখি। হায়রিবা চহীসিমক্তুদা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা পুখ্রিদা অহানবা ষ্টেট ওপন ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট ১৯৭৮, য়াম্না চাওনা মায় পাক্না পাঙথোকখি। লোয়নননা মসিদগী অফবা শান্নরোয়শিংসু মথং মথং থোরকখি।

কুমজা ১৯৫৭ তা পাঙথোকখিবা স্বিমিং কম্পিটিসন অমসুং ৱাটর পোলো টুর্নামেন্টকী মতাংদনা, সিনিয়রগী মিটর ৩০০গী লমজেলসিদনা টি ঐচ দ্বিজমনি (উচেক্কোন)না ফর্ষ্ট, ঐ ইশামক্ন। সেকেন্দ, ব্রোজেন্দ্রোনা থর্দ তাখি। জুনিয়রগীদনা দল্লিয়ু অরুন (নোংমৈবুং)না ফর্ষ্ট, এল ইরাবতনা (কোংবা বাজার)না সেকেন্দ, এস মোধু সিংহ (কোংপাল)না থর্দ লৌখি। ৱাটর পোলোগী ওইনদি কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লব (এ)না ৱিন্নর অদুগা বিনা রন্নরস-অপ তাখি।

কুমজা ১৯৫৯ দা, স্বিমিং রেসকী সিনিয়রগীদা ফর্ষ্ট লৌখিবসি দল্লিয়ু অঙৌনি। সেকেন্দনা টি ঐচ দ্বিজমনিনা তাখি। থর্দনা কে চাওবনা লৌখি। জুনিয়রগীদনা টি ঐচ নবকান্তনা ফর্ষ্ট কে মনিজয়না সেকেন্দ, কে এস ঐচ জয়কুমারনা থর্দ তাখি। হায়রিবা চহীসিদা ৱাটর পোলোদা ৱিন্নর লৌখিবা টিম অসিনা আর দি এস স্কুলনি। কুমজা ১৯৫৯ দা আর দি এস স্কুলগী ৱাটর পোলো টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি মথংশিংনা দল্লিয়ু অরুনকুমার, এম থানিল সিংহ, এল বিরেন, থৌবা, কে কোবা, এল ইরাবোট অমসুং অচৌ সিংহনি।

কুমজা ১৯৬০ অসিদদি স্বিমিং রেসতা শরুক য়াবা প্লেয়র মশিং য়াম্না থোরকখি। মিটির ৪০০গী স্বিমিং রেসতা (সিনিয়র) পুন্না শান্নরোয় মাপলনা অথোই-অহেন তান্ননিখি। অদুগা জুনিয়রগীদসু প্লেয়র মাপলনা অথোই-অহেন তান্নখি। মসিগা লোয়নননা কুমজা ১৯৬০ দা পাঙথোকখিবা ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট অসিদসু পুন্না ক্লব তরুক্না শরুক য়াখি। ক্লবশিং অদুদি ৱাংখৈ পেরেদাইজ ক্লব, কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লব, খোংমন ষ্টুদেন্ট ক্লব, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই ষ্টুদেন্ট ক্লব, মৈতৈ ময়েক হায়স্কুল অমসুং ওল মণিপুর ৱাটরমেন ওর্গনাইজেসন্নি।

কুমজা ১৯৬০ গী ঈশিং লমজেলদা (সিনিয়র) ঐহাক্না ফর্ষ্ট তাজখি। দল্লিয়ু অঙৌনা সেকেন্দ, এল রাজেন্দ্রোনা থর্দ লৌখি। মিটর ৪০০ গী লমজেলদুনা ঐহাক্না লোইজখিবসি মিনিট ৪ গা সেকেন্দ ৩০ নি। সেকেন্দ তাখিবা দল্লিয়ু অঙৌনা লোইখিবসিনা মিনিট মরিগা সেকেন্দ ৫০ নি। অদুগা থর্দ তাখিবা রাজেন্দ্রনা (মোদেল হায়স্কুল তেরা) লোইখিবা মিনিটসিনা মিনিট মরিগা সেকেন্দ ৫২ নি। জুনিয়রগী মিটর ২০০ গী রেসতা ফর্ষ্ট তাখিবসিনা এম কোবা, সেকেন্দ্র অমসুং থর্দ লৌখিবসিনা এম মোমোন, টি ঐচ নবকান্তনি। ৱাটর পোলোদা ৱিন্নর ওইখিবা টিম অসিনা এল মণিপুর ৱাটরমেন ওর্গনাইজেসন (কোংবা)নি। অদুগা রন্নরস অপ তাখিবসিনা ৱাংখৈ পেরেদাইজ ক্লবনি।

অমরোমদা, ঈশিং লমজেল অমদি ৱাটর পোলো টুর্নামেন্টতা স্কুলগী মহৈরোয়শিং য়াওশিল্লকখিবা অসিনা লমদমসিগী ঈশিং মশান্নগী প্লেয়রশিং, মণিপুরগী মপান্দা পাঙথোকপা 'নেসনল স্কুল গেমস'কুম্বদা শরুক য়াবা ঙম্লকখিবনি। মসিগী মতাংদদি মরু ওইনা থাংজম ওজা মোধুনা অশিন-অরাং ওইবিরগা ঐখোয়সু মপান্দা শান্নবা চৎচবা ফংজরকখি। অদুগা মণিপুর স্বিমিং এসোসিএশনদি কুমজা ১৯৭৫ দা পুখ্রম্বম ইবোমচানা প্রসিদেন্ট ওইদুনা লিংখৎখ্রে।

...*মথং মথং*...



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী মেঘনানা রসিয়ন ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

ব্লাদিবোষ্টোক, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী সিটি ব্লাদিবোষ্টোক্তা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা রসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলস অমসুং মিক্স দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মেঘনা জকমপুদি সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



মেঘনানা রসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পুরবিসা এস রামগা পেয়র ওইদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক অদুগী পেয়র ভিক্টোরিয়া কোজিরিভা অমদি মারিয়া সুকোভাবু ২১-১৯, ২১-১১দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা ৮ শুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা ইন্দিয়াগী মেঘনা জকমপুদি অমসুং মহাক্কী পেয়র পুরবিসা রামনা ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেলদা জপানগী পেয়র টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ পেয়র মিকি কাসিহরা অমসুং মিয়ুকি কাটোগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী মেঘনা জকমপুদিনা মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী ধ্রুব কপিলাগা শান্নরকপদা রেসিয়াগী পেয়র মাক্সিম মাকালোপ অমসুং একাটেরিনা রিয়াজানসেভাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-৩, ২১-১২তা থোইদুনা মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় রিতু পর্নাদাস স্কোটলেন্দকী কর্ষ্টি গীলমোরগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

# ইন্দিয়াগী এথলেট সঞ্জিবানি য়াদব দোপিং টেষ্টতা পোজিটিভ ওইদুনা চহী ২গী অথিংবা থমখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী লমজেল্লোয় মশাগী চহী ২৫শুরবী সঞ্জিবানি য়াদব ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলনা থিংখ্রবা পোৎয়ান প্রোবিনেসিদ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিট (এ আই য়ু) না চহী ২গী অথিংবা থমখ্রে।

সঞ্জিবানিনা মমাঙগী চহীদা কম্পিটিসন শরুক য়াবদা মহাক্কী য়ুরিন সেম্পল অনীরক টেষ্ট তৌবদা দ্যুরোটেক্স এন্দ মাস্কিং এজেন্ট অমা ওইরিবা পোৎয়ান প্রোবিনেসিদ য়াওবা থেংনরকপদগী চহী অনীগী অথিংবা অদু লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহীগী মে ২৭তা বেঙ্গালুরুদা পাঙথোকখিবা টি সী এস ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা অহানবা লৌখিবা সেম্পল অমদি চহী অদুগী জুন ২৯দা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা নেসনল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা লৌখিবা সেম্পল অনী অদুদা পোৎয়ান অদুয়াওরম্বা থেংনখিবনি।

কুমজা ২০১৭কী এসিয়ন এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর লিশীং ৫গী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবী অমদি চহী অসিগী এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর লিশীং ১০গী ব্রোঞ্জ ফংখিবী সঞ্জিবানিগী মেদলশিং অদু কাঙলোনগী মতুং ইন্না লৌথোকপা তাখি। এআইয়ুনা পীখিবা চৈরাক অদুগী মতুংদা সঞ্জিবানিনা মখা তানা কমপ্লেন তৌদুনা শেংদোক্নবগী তাঞ্জা অমদি লৈরি।

# ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ নুপীগী শান্নরোয় পি বি সিন্ধু মায় পাক্কুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

জকর্টা, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দোনেসিগী কোনুং জকর্টাদা চথরিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবী টুর্নামেন্ট অসিগীনা ৫ শুবা সিদেদ পি ভি সিন্ধু না ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় ওকুহরাবু মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিংগী মরক্তা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা মকো থোংবা ঙম্লিবী, ওলিম্পিক গেমসকী সিলভর মেদলসু ফংবা ঙমখ্রবী অদুগা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা নুপীগী বেদমিন্টন ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতা চেম্পিয়ন ওইদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি ইন্দোনেসিয়া ওপনগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পি ভি সিন্ধু না ঙসি শান্নখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টনকী ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী নোজোমি ওকুহরাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পি ভি সিন্ধুনা জপানগী নোজেমি ওকুহরাগা ঙসি লম্বা তৌনখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা গেমদা কা হেন্না প্রেসর মায়োক্লদনা ২১-১৪দা থোইখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেমদা মমাঙ চহীগী বেদমিন্টন ৱর্ল্ড টুরগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা জপানগী নোজেমি ওকুহরাবু য়াম্না হেনবা মওংদা ২১-৭দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

পি ভি সিন্ধুনা হয়েং শান্নগদবা সেমিফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ২ শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী সেন য়ু ফৈগা লম্বা তৌনগদৌরি।

কাংলুপ অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িং অমদি ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় জপানগী অকানে য়মাগুচিগা থেংনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় চৌ টেন চেননা থাইলেন্দগী কন্তাফোন ৱাংসরোনগা সেমিফাইনেল শান্নরগনি। চৌ টেন চেননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙসি ইন্দোনেসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবা জোনাটন ক্রিষ্টিবু ১৬-২১, ২১-১৮, ২১-১৪দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, হোং কোংগী ৱোং ৱিং কি বিনসেন্টনা অতোপ্পা হোং কোংগী শান্নরোয় ঙা কা লোং এঙ্গসপু য়াম্না কোম্না ২১-১৬, ২১-১৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। বিনসেন্টনা মহাক্কী সেমিফাইনেলদা মলেসিয়াগী লি জি জিয়া অমসুং দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোন্সনগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা নম্বর ১ সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস কিদিওন অমসুং কেবিন সুকুমুজোনা চাইনাগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা লি জুন হুই অমদি লিয়ু য়ু সেনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

অতোপ্পা সেমিফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী মহমদ অসান অমসুং হেনরা সেত্যৱাননা জপানগী তাকুরো হোকু অমসুং য়ুগো কাবুয়াসিগা লম্বা থেংনরগা এসিয়াগী সেমি ফাইনেল য়ৌখিবা টিম অমা ওইরি।

# ইন্দিয়াগী কলিঙ্গা রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লব মায় পকখ্রে

মুম্বাই, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ

মালেমগী ফুটবোলগী লমদা মমিং লৈরবা লৈবাক অমা ওইরিবা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা রেদ বুল নেমর জুনিয়র ফাইভ ৱর্ল্ড ফাইনেলদা মায় পাক্কুনা মেন টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি।

কলিঙ্গা রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লব ইন্দিয়াগী ফাইভ এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ক্লব অমা ওইরিবনি। টিম অসিনা ব্রাজিলদা পাঙথোকখিবা রেদ বুল নেমর জুনিয়র্স ফাইভ ৱর্ল্ড ফাইনেলদা মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী ওইবা য়াম্না ফজবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্লিবনি।

ব্রাজিলগী টুর্নামেন্ট অদুদা পুন্না লৈবাক ৪০না শরুক য়াখিবা লম্বা অদুদা ইন্দিয়াগী কলিঙ্গা রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবনা অরোইবা গ্রুপ মেচতা হঙ্গেরিগী নেসনল চেম্পিয়ন ওইরিবা জিরক্রেটো ক্লবপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্টকী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী মনুংদা চনবা ঙমখি।

ব্রাজিলদা পাঙথোকখিবা রেদ বুল নেমর জুনিয়র্স ফাইভ ৱর্ল্ড ফাইনেল অদুদা ইন্দিয়াগী কলিঙ্গা রেঞ্জর্স স্পোর্টস ক্লবনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী রাউন্দশিংদা লুসেমবর্গকী ক্লব য়ু কে এস ব্রোদনোগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অতোপ্পা মেচ অনী শান্নবদা ইন্দিয়াগী কলিঙ্গা রেঞ্জর্স স্পোর্টস ক্লবনা এঙ্গোলা লৈবাক্কী ৱকান্দা ক্লব অমসুং স্পেনগী জারিটোটি ক্লবকী মখুৎতা পাঞ্জল ৫/৫দা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং লুসেমবর্গকী ক্লব য়ু কে এস ব্রোদনোগা দ্রো চৎখিবনি।

পনবা য়াবদি, কলিঙ্গা রেঞ্জর্স স্পোর্টস ক্লবনা ইন্দিয়াগী ওইবা নেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা কোলকতাদা পাঙথোকখিবদা মিজোরামগী ক্লব আইজোলগী অন্দরদোগসপু মায়থীবা পীখি। কলিঙ্গা রেঞ্জর্স ফুটবোল টিমগী শান্নরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা ব্রাজিলগী টুর্নামেন্ট অদুদা পাঙথোকপা নেমর জুনিয়র ফাইভ ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলসকী গ্রুপ মেচতা শান্নখিবা মেচ ৪গী মনুংদা মেচ ১ মায় পাক্লগা অতোপ্পা অহুম্না দ্রো অমা অমসুং মেচ অনী মায়থীবা নংখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা টাজিকিষ্টানবু থোইদুনা ২রকশুবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




অহমেদবাদ, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা গুজরাট ষ্টেটকী সিটি অহম্মেদবাদতা লৈবা ঈ কে এ এরেনাদা চথরকপা অনীরকশুবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা নোর্থ (দি পি আর) কোরিয়ানা টাজিকিষ্টানবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা হাফতা নোর্থ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা টাজিকিষ্টানগী শান্নরোয়গা লম্বা তৌনবদা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা পুশিনবা ঙম্বগী তাঞ্জা কয়া লৈখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী লম্বা অদুদা খুদোংচাবা ফংনবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুদা টাজিকিষ্টানগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎলক্কুনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখি। অদুবু মখোয়গী এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি। ৫১শুবা মিনটতা টিম অদুগী বোবেমনা কাওখিবা ফ্রী কিক অমা নোর্থ কোরিয়াগী গোল পোষ্ট নাকলদা খরা হাইদোকখিবদগী পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি। মদুগী মতুং ৫৯শুবা মিনটতা টাজিকিষ্টানগী মায়কৈদগী মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা কোমরোন টুরসুনোবনা কাওশিনখিবা সোট অমা নোর্থ কোরিয়াগী গোলকিপর আন টে সোমনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

নোর্থ কোরিয়াগী সবষ্টিট্যুট শান্নরোয় ওইনা চঙলকখিবা পাক হিয়ুন ইলনা মেচকী ৭১শুবা মিনটতা মহাক্কী টিমমেট গুৱানা পীরকপা বোল অমা টাজিকিষ্টানগী পেনালটি এরিয়া মনুংদা ফংদুনা কাওশিনখিবদা টাজিকিষ্টানগী দিফেন্দর অমা খেৎলগা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা টাজিকিষ্টান খুদোংচাবা ফংখিবা অদু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল নোর্থ কোরিয়ানা লৌখি। চেম্পিয়ন নোর্থ কোরিয়ানা শেলগী মনা য়ু এস দোল্লর লিশীং ৫০ ফংখি। অদুগা টাজিকিষ্টান্না লিশীং ২০ ফংখি।

# প্রিথু গুপ্তনা ইন্দিয়াগী ৬৪শুবা গ্রান্দমাষ্টর ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোয় দিল্লিদগী হৌখিবা প্রিথু গুপ্তনা পোর্টুগলদা পাঙথোকপা পোর্টুগিজ লীগ ২০১৯গী মঙাশুবা রাউন্দদা ইন্টরনেসনল মাষ্টর লেব য়ানকিলেবিসপু মায়থীবা পীদুনা চেছ মশান্নগী ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৫০০ লান্থোকপা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী ৬৪শুবা চেছকী গ্রান্দমাষ্টর ওইখ্রে।

পনবা য়াবদি, মশাগী চহী ১৫গা থা ৪ অমসুং নুমিৎ ১০নি চঙশিল্লকপদা প্রিথু গুপ্তনা গ্রান্দমাষ্টর ওইবা ঙমখিবনি। কুমজা ১৯৮৮দা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা বিশ্বানাথন আনন্দনা ইন্দিয়াগী অহানবা গ্রান্দমাষ্টর ওইখিবা অদুগী মতুং ঙসি প্রিথু গুপ্তনা চহী ৩১গী মতুংদা ৬৪শুবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অদু ওইখিবনি। মমাঙগী চহীদা গুপ্তনা গ্রান্দমাষ্টরগী অহানবা নোর্ম অদু গিব্রালটর মাষ্টরসতা ফংখি। মদুগী মতুং বি এল মাষ্টরসতা অনীশুবা নোর্ম ফংলবা মতুং পোর্টিকো ওপনদা অহুমশুবা নোর্ম ফংখি।